# কারোলিন ৱোজনিয়াকিনা নোট্টিঘামদগী মপান থোকখ্রে রোহন-নিকোলাসনা রিকো ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে





নোট্টিঘাম, জুন ০৯ ঃ

কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা মফম অসিদা চথরিবা নোট্টিঘাম গ্রাস কোর্ট ইভেন্টকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইষ্টোনিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৯৭ তা লৈরিবা এনেট্ট কোন্টাভৈটকী মখূৎতা মায়থীহৌখ্রে।

মশাগী চহী ২০ শুরবী কোন্টাভৈটনা দেনগী অহুমশুবা সীদেদ অসিবু ৬-৭ (৫/৭), ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা চহী অসিদা মহাক্কী অনীরকশুবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মেচ লোইরবা মতুং কোন্টাভৈটনা হায়খি, অহানবা সেটতা মায়থীখিবা অসি য়াম্না টফ ওইখি অদুবু মসি টেনিসকী খোঙচৎনি হায়না ঐনা লৌই। করিগুম্বা মতমদা অনকপা পোইন্টশিং নঙনা লৌরবসু করিগুম্বদা নঙনা মখোয় অদু অমুক মাঙখি। অদুবু নঙনা মদুগীদমক লম্বা তৌবদি লেপতে। মহাক্না য়াম্না প্রেসর লৈনা অমদি গ্রি গ্রি তক্না শান্নখি। মদুম্না ঐসু শান্নখি।

ৱোজনিয়াকিনা হায়, ৱিমব্লেদন পাঙথোক্কদবা চয়োল অনীখক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা ঐগী খুনিং অসি সেট অহুমফাওবা লেপ্তুনা শান্নবা ঙমখিবা অসিদা হরাওবা পোকই। মেচ অসি অমুকনা মথক কাবা, অমুকনা মখা কুম্বনি অদুবু মহাক্না নিংথিনা শান্নখি।

কোন্টাভৈটনা মথংগী মেচতা অমেরিকাগী অলিসন রিস্কেগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। অলিসন রিস্কেনা টাইৱানগী সু-ৱৈ হসৈবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

টোপ সীদ কারোলিনা প্লিসকোভানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অন্না টাটিশভিলিবু ৬-১, ৬-৩ দা পুং ১ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি। টাটিশভিলিনা প্লিসকোভাগা পোকমিন্নবী ফাইবোক ক্রিটিনাবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা মায়থীবা পীখিবনি। প্লিসকোভানা মথংগী প্লেদা অন্দ্রে হলাভাকোভা নৎত্রগা অশলৈঘ বার্টি অনীগী মরক্তা অমগা শান্নগনি।

পুর্টো রিকোগী মোনিকা পুইগনা পোর্টুগিজ ক্বালিফাইয়র মিচেল্ল লার্চর দি ব্রিটোবু ৬-৩, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা এস-হর্টোগেনবোচদা চথরিবা রিকো ওপনগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা রোহন বোপান্না অমদি গুইল্লরমো গার্র্সিয়া-লোপেজবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

টোপ সীদ ইন্দো-ফ্রেঞ্চকী জুরা অসিনা মখোয়গী অন সীদেদ রাইভেলবু ওপনিং রাউন্দ মেচ অদুদা মায়থীবা পীখিবদা মিনিট ৫০ চঙখি।

বোপান্নানা টোপ টেন রেঙ্কিংদা লৈখিবদগী লাক্লিবা রিও ওলেম্পিকক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

বোপান্নানা মহাক্কী হান্নগী পার্টনর রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মর্গিনা ওলেম্পিক্কীদমক শেম শাখিবদগী মাহুটকা লম্বা শেমখিবনি। ফ্লোরিন মার্গিনা হোরিয়া টেকাউগা জুরা শেমদুনা রিও গেমসকীদমক শেম শারি।

বোপান্নানা রিও গেমসগী মেন’স দবলস ইভেন্টতা মহাক্না পাম্বা পার্টনর খনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মহাক্না লীএন্দর পেস নৎত্রগা সাকিথ মেনেনি অনীগী মরক্তা অমবু খল্লবা য়ারি।

ইন্দো - ফ্রেঞ্চকী জুরা অসিনা মথংগী মেচতা গিলস মুল্লর অমদি ফ্রেদেরিক নিলসেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। মুল্লর অমদি নিলসেননা মার্সেলো দেখোলিনর অমদি নিকোলাস মোনারোবু ৬-৩, ৬-৩ দা মখোয়গী ওপনিং রাউন্দদা মায়থীবা পীখিবনি।

# ইন্দিয়াগী সেনিয়র প্লেয়র মশীং য়াম্না য়াওদবা টিম অমা জিম্বাবৱেদা থুংখ্রে



হরারে, জুন ০৯ ঃ কেপ্তেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনিনা লুচিংবা মেম্বর ১৬ না শাবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিম অমা মফম অসিদা থাংজ নুমিৎতগী শান্নবা হৌগদৌরিবা অতেনবা মতমগী লিমিটেদ ওভর সেরিজগীদমক মফম অসিদা থুংখ্রে।

ইন্দিয়ন টিম অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মুম্বাইদগী ফ্লাইটতা মতম শাংনা তোংলক্লবা মতুং ঙসি থুংখিবনি। বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না ত্বিটরদা থাদোরকপা পাউগী মতুং ইন্না প্লেয়রশিংনা হারারে ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থুংবগী ধোনি য়াওবা পিকচর অমদি মহাক্কী টিমমেটশিং এয়রপোর্টতা মথৌ তাবা ফোর্মেলিটিশিং পাঙথোকপগী ফোটো থাদোরকখি।

টিম অসিনা ও দি আই অহুম অমদি মসিগা মান্নবা মেচ মশিংদা টি ২০ ইন্টরনেসনেল মেচশিং শান্নগনি। জুন ১১ দগী ২২ ফাওবা মেচশিং অদু জিম্বাবৱেগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। মেচ পূম্নমক হরারে স্পোর্টস ক্লবতা শান্নগনি।

ও দি আই মেচনা জুন ১১, ১৩ অমদি ১৫ দা শান্নগনি অদুগা টি ২০ ইন্টরনেসনেলনা জুন ১৮, ২০ অমদি ২২ দা শান্নগনি। ইন্দিয়ন টিম অসিদা সেনিয়র প্লেয়র ভিরাট কোহলি, রোহিট শর্ম্মা, শিখর ধৱন অমদি রভিচন্দ্রন অশ্বিন য়াওদ্রে। মখোয়গী মহুৎতা অনৌবা প্লেয়রশিং ওইনা য়াওরে।

ইন্দিয়ানা জিম্বাবৱেদা টুর তৌদুনা ও দি আই মেচ অহুম অমসুং টি-২০ ইন্টরনেসনেল মেচ অনী শান্নগদৌরিবা অসিগীদমক সেনিয়র প্লেয়রশিং য়াওদবা স্কাদ অমা মমাঙদা লাউথোকখিবগা লোয়ননা জিম্বাবৱে টুরগী হেক মতুংদা চথুগদৌরিবা ৱেষ্ট ইন্দিজ টুরগী টেষ্ট স্কাদতা শারদুল থাকুর য়াওখিবনি।

জিম্বাবৱে টুরগী মেম্বর ১৬ না শাবা স্কাদতা অনকেপ প্লেয়র মঙা য়াওবা ঙমখিবদা নত্তনা কর্ণাটাকাগী বেটসমেন কে এল রাহুলসু স্কাদতা য়াওবা ঙমখি। রাহুলনা টেষ্ট ক্রিকেট অমদি হৌজিক চথরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) তা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিবদগী স্কাদতা য়াওবা ঙমখি। মহাক্না জিম্বাবৱেদা চৎতুনা লিমিটেদ ওভরস ইন্টরনেসনেলগী দেব্যু শেম্বা ঙম্লগনি। রাহুলনা আই পি এলদা শরুক য়ারিবা রোয়ল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরগীদমক অফবা বেটসমেন অমা ওইখি অমদি মহাক্না ৱেষ্ট ইন্দিজ টুরগী টেষ্ট স্কাদতসু য়াওবা ঙমখি।

ভিদরভাগী বেটসমেন ফাইজ ফাজল, হরিয়ানাগী ওফ স্পিন্নর জয়ন্ট যাদভ, পঞ্জাবকী বেটসমেন মন্দিপ সিংহ, হরিয়ানাগী লেগ্নি যুজভেন্দ্রা চাহল অমদি কর্ণাটাকাগী বেটসমেন কারুন নাইর মখোয় মঙানা দোমেষ্টিক্তা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা জিম্বাবৱে টুরগী স্কাদতা য়াওখি।

জিম্বাবৱে টুরগী স্কাদতা য়াওখিদ্রবা সেনিয়রশিং অদুদি ভিরাট কোহলি, রোহিট শর্ম্মা, শিখর ধৱন, আর অশ্বিন, অজিঙ্কয়া রহানে, সুরেশ রাইনা অমদি রভিন্দ্রা জাদেজানি। মখোয় পোত্থাদুনা লৈরি। অদুগা হরভজন সিংহনা জিম্বাবৱে অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কাদ অনীমক্তা য়াওবা ঙমখিদে।

ধোনিনা মখা তানা ও দি আই অমদি টি ২০ ইন্টরনেসনেল টিমগীদমক লুচিংগনি। অজিঙ্কয়া রহানেনা টেষ্ট স্কাদতা প্রমোসন ফংখিবগা লোয়ননা কোহলিগী দিপ্যুটি ওইনা থৌ পুগনি। ধোনিনা ইন্দিয়ানা টেষ্ট ক্রিকেট শান্নরিঙৈ মনুং শাংলবা মতম ছুটি ফংদুনা পোত্থারগা লৈগনি।

কুমজা ২০১৪ গী ৱর্ল্ড কপ্তুগী অশোকপনা মরম ওইদুনা শান্নদনা লাকখিবা ফাষ্ট বোলর মোহম্মেদ শামিনা টেষ্ট স্কাদতা হল্লকপা ঙমখিবনি। থাকুরনা গুরকীরাট সিংহ মানগী মহুৎতা স্কাদ য়াওবা ঙমখি। মুম্বাইগী ফাষ্ট বোলর অসিনা ফাষ্ট ক্লাস মেচ ৩৭ শান্নখিদুনা ৱিকেট ১৩৩ লৌবা ঙমদুনা চাংচৎতা ২৭.৫৩ দা লৈরি।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী ওল রাউন্দর করুনাল পন্দয়ানা জিম্বাবৱেগী এক্সপ্রিমেন্টেল স্কাদতা য়াওবা ঙমখিদে। অদুগা মহাক্কী ব্রদর হার্দিকসু দ্রোপ তৌখি। করুনাল পন্দয়ানা আই পি এল সিজনদা নিংথিনা শান্নরিবনি।

আই পি এল ৯ দা কোলকটা নাইট রাইদরসকীদমক রন ৪০০ দগী হেন্না লৌবা ঙমখ্রবা গৌতম গম্ভীরনা মখা তানা স্কাদতা য়াওবা ঙমখিদে। শ্রেয়র আইয়রসু মহাক্কী খুদোংচাবা পীরক্কদ্রা হায়বগী থাজবা লৈখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে।

ইন্দিয়ানা লাক্লিবা জুন ১১ দগী জিম্বাবৱেদা হৌগদৌরিবা ও দি আই মেচ অহুম অমদি টি ২০ ইন্টরনেসনেল মেচ অনী শান্নগনি অমদি টুর অসিগী হেক মতুংদা ৱেষ্ট ইন্দিজদা জুলাই থাদগী টেষ্ট মরিগী টুর অমা চৎকনি।

জিম্বাবৱে টুরগী ইন্দিয়ন স্কাদ অদুদি এম এস ধোনি (কেপ্তেন), কে এল রাহুল, ফাইজ ফাজল, মানিশা পান্দে, কারুন নাইর, অম্বাটি রায়ুদু, রিশি ধৱন, অক্সর পটেল, জয়ান্ট যাদভ, ধৱল কুলকারনি, জাসপ্রিট বুমরাহ, বারিন্দর সরন, মন্দিপ সিংহ, কেদর জাধব, জাইদেভ উনাদকট, যুজভেন্দ্রা চাহালনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজ টুরগী ইন্দিয়ন স্কাদনা ভিরাট কোহলি (কেপ্তেন), মুরালি ভিজয়, শিখর ধৱন, কে এল রাহুল, চেটেশ্বার পুজারা, অজিঙ্কয়া রাহনে (ভাইস কেপ্তেন), রোহিট শর্ম্মা, ৱারিধিমন সাহা, আর অশ্বিন, অমিট মিশ্রা, রভিন্দ্র জাদেজা, ইশান্ট শর্ম্মা, মোহম্মেদ শামি, ভুবনেশ্বর কুমার, উমেশ যাদভ, শারদুল থাকুর অমদি ষ্টেটিবিন্নিনি।

# ন্যু য়োর্ক সিটিনা লৈখিদ্রবা বোক্সিং লেজেন্দবু নীংশিংদুনা ৱেষ্ট ৩৩ ষ্ট্রিটপু মহমদ অলি ৱে হায়না মমিং থোনখ্রে



ন্যু য়োর্ক, জুন ০৯ ঃ

মেদিসন স্কেৱার গার্দেনগী মপান্দা লৈবা ষ্ট্রিটপু লৈখিদ্রবা বোক্সিংগী লেজেন্দ অসিনা ফাইট কয়া শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা মমিং লৈরবা স্পোর্টস এরেনা অসিদা শান্নখিবা অদুবু তুংগী মীরোলশিংনা কাউবা ঙমদনা লৈহৌনবা হায়দুনা মহমদ অলি ৱে হায়না ন্যু য়োর্ক সিটিনা মমিং থোনখ্রে।

অমেরিকাগী ইন্টরটেনমেন্ট কেপিটেল ওইরিবা মহমদ আলিগী খ্বাইদগী শিংথানিঙাই ওইরবা ফাইট কয়া শান্নখ্রবা এম এস জি এরেনা মনাক্তা লৈবা ৱেষ্ট ৩৩ ষ্ট্রিট অসি টেম্পররি ওইনা মহমদ অলি ৱে হায়না মিংথোনখিবা অদু মেয়র বিল দে ব্লাসিওনা লাউথোকখি।

মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মহমদ অলিনা মহাক্কী শাংলবা বোক্সিংগী কেরিয়রদা মালেমগী স্পোর্টসপু অওনবা মায়ওন অমদা পুরক্লম্বদা নত্তনা খুন্নাইগীদমক তৌরম্বা মহাক্কী থৌদাং কয়ানসু মহাকপু ২০ শুবা চহী চাগী নিংশিংনিঙাই ওইরবা ফিগর অমা ওইনা শকখঙনখি। মহাক পার্কিনসন লায়না মায়োক্নরল্লবা মতুং হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা অরোইবা য়াহিপ তানখি।

দি ব্লাসিওনা হায়খি, সিটি অসিগী ময়াই চবুক্তা ঙসি ঐখোয়না লেজেন্দরি অসিদা ঈকাই খুম্নবা উৎলি। মহাক্না ঐখোয়না তৌরিবা অসিদা পেনবীগনি হায়খি।

অলিনা মহাক্কী কেরিয়রগী মনুং চন্না ফাইট ওফ দ সেঞ্চুরি হায়না খঙনখিবা কুমজা ১৯৭১ গী জো ফ্রেজরগী মায়োক্তা থিনগাইনখিবা বাউট অদু য়াওনা মেদিসন স্কেৱার গার্দেনদা ফাইট নিপান শান্নরমখি। সিটি কাউন্সিলনা লেজিসলেসন অদু পাস তৌরবা মতুং মেয়রনা খূৎয়েক পীরবদি ন্যুয়োর্ক ষ্ট্রিট অসি মতম পূম্বগী ওইনা অনৌবা মমিং অসিনা ওইনা চৎনরগনি। অদুমকপু বিল অসি অহানবদা দৌদোক্লবা কাউন্সিল মেম্বর অমা মথৌ তাবনা মহমদ অলি ৱে অসি মতম চূপ্পগী ওইনা শকখঙননবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চৎনগদবা থৌশিল অমত্তা লৈত্রি।

কুমজা ১৯১৪ দগী ১৯৮১ ফাওবা লৈরমখিবা হান্নগী হেভিৱেথ চেম্পিয়ন জো লুইস হায়না হেন্না খঙনবা জোসেফ লুইস বারোবু ইকাই খুম্নবা ওইনা মেদিসন স্কেৱার গার্দেনগী অকোয়বা ষ্ট্রিটশিং অসি সিটি অসিনা মতম পূম্বগী ওইনা জো লুইস প্লাজা হায়না মমিং থোনখ্রবনি। অলিবু ঈকাই খুম্নবা ওইনা নৌনা মিংথোনখ্রবা ষ্ট্রিট অসি মতম খরগী ওইরবসু নৎত্রগা মতম পূম্বগী ওইরবসু জো লুইস প্লাজাদদি অশোকপা অমত্তা লৈরোই হায়না মেয়রগী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

## চেছ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জুন ০৯ ঃ

মণিপুর চেছ এসোসিএশন্না শিন্দুনা ৱাই ভি ও য়াইস্কুলগী শঙলেন্দা থা অসিগী ৭ তগী চথরক্লিবা মণিপুর ষ্টেট চেলেঞ্জরস চেছ চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী অরোইবা অমদি মঙাশুবা রাউন্দ ঙসি শান্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দদা আর কে ভোগেন (আর টি জি ২১০০) না পোইন্ট অহুম অমদি এল অতেম্বী (আর টি জি ১৮৩১) না পোইন্ট অহুম ফংদুনা অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিশন তাখি। টি ঐচ নবচন্দ্র (আর টি জি ১৭৭০) না পোইন্ট ১.৫ ফংদুনা থার্দ, ঐচ ভুপেন্দ্রনাথ (আর টি জি ১৭৭০) না পোইন্ট ১.৫ ফংদুনা মরিশুবা অমদি ঐচ জোগেন্দ্রো (আর টি জি ১৬৫৪) না পোইন্ট ১ ফংদুনা মঙাশুবা পোজিশন তাখি।

লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা ৱাই ভি ও য়াইস্কুলগী শঙলেন্দা মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ইন্দিয়ানা হোমদা ন্যুজিলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা অনৌবা টেষ্ট ভেন্যুদা টেষ্ট ১৩ শান্নগনি

মুম্বাই, জুন ০৯ ঃ ইন্দিয়ানা হোমদা ন্যুজিলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা অনৌবা টেষ্ট ভেন্যুদা টেষ্ট ১৩ শান্নগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না লাউথোকখ্রে।

হায়রিবা টেষ্ট ১৩ অসি কুমজা ২০১৬/১৭ কী সিজন্দা শান্নগদবনি। টেষ্ট ক্রিকেট অসি হৌজিক লৈবাক অসিগী মফমশিং শিনবা থুংনা শান্ননবা বি সি সি আইনা অনৌবা টেষ্ট সেন্টর তরুক্কী মমিংসু লাউথোকখি। সেন্টর তরুক অসিগী মনুংদা প্রসিদেন্টগী বেজ ওইবা ধর্ম্মশালা য়াওরি। অতোপ্পা মফমশিং অদুদি রাজকোট, ভিসাখপটনম, পুনে, ধর্মশালা, রাঞ্চি অমদি ইন্দোরনি। অনৌবা ভেন্যু অসিনা সিজন অসিদা অহানবা ওইনা টেষ্ট মেচশিং য়ূম্বু ওইগনি। ইন্দিয়ানা টেষ্ট ১৩, ৱান দে ইন্টরনেসনেল নিপান অমদি টি ২০ ইন্টরনেসনেল অহুম শান্নগনি।

ন্যুজিলেন্দ, ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা শরুক য়ারদুনা ইন্দিয়াদা শান্নগনি অমদি বংলাদেশনা হায়দ্রবাদতা টেষ্ট মেচ অমা শান্নগনি।

শাংলবা হোমগী সিজন অসি ন্যুজিলেন্দগা মায়োক্নদুনা টেষ্ট মেচ অহুম অমদি ও দি আই মেচ মঙা শান্নদুনা হৌদোক্কনি। মসিগী হেক মতুংদা ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা টেষ্ট মেচ মঙা, ও দি আই মেচ অহুম অমদি টি ২০ মেচ অহুম শান্নগনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা কুমজা ২০১৭ কী ফেব্রুৱারী-মার্চতা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা টেষ্ট মেচ মরি শান্নরগনি।

ন্যুজিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট অহুমনা ইন্দোর, কানপুর অমদি কোলকটাদা শান্নগনি। অদুগা ও দি আই মেচশিংনা ধর্মশালা, দেল্লি, মোহালি, রাঞ্চি অমদি ভিজাগতা শান্নগনি। ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা টেষ্ট মঙানা মোহালি, রাজকোট, মুম্বাই, ভিজাগ অমদি চেন্নাইদা শান্নগনি। ও দি আইনা পুনে, কত্তক অমদি কোলকটাদা শান্নগনি। অদুগা ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা টি ২০ মেচ অহুমনা বেঙ্গলুরু, নাগপুর অমদি কানপুরদা শান্নগনি।

কুমজা ২০১৭ কী ফেব্রুৱারীদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াদা টুর তৌরক্কুনা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট মেচশিং বেঙ্গলুরু, ধর্মশালা, রাঞ্চি অমদি পুনেদা শান্নগনি।

BUILD YOUR SUCCESS (BYS)
Palace Compound (Macha Leima School) # 9863284750/ 9856088990



6th Rank HSLC Exam 2016 SPEAKS..
LUCKYSON NINGTHOUJAM
THE FIRST POSITION HOLDER AMONG OUTSIDE-IMPHAL SCHOOLS IN HSLC EXAM 2016
SUBJECT TOPPER SOCIAL SCIENCE 98 OUT OF 100

I call it God's grace when I got the 6th Position in HSLC exam 2016. My heartfelt gratitude goes to my family and well-wishers. To me, God is so kind for allowing me to find BYS and its hostel where I am blessed with outstanding faculty and the most academic atmosphere during my Foundation and Revision courses. I feel BYS is not only the best and the most trusted centre but also a dream come true for any student.

Luckyson Ningthoujam

ADMISSION OPEN FOR CLASS X (BOSEM) FOUNDATION COURSE
(including OPTIONAL - Computer Sc./Home Sc./HM) starting on JUNE 13, 2016.

HL-B/3124/4,6,8,10,12 & 14 Jun

THE LITTLE MASTER ENGLISH HR. SEC. SCHOOL
SHAMUROU
Affiliation No. 1/96/05HSC(Vol II) Under COHSEM
ADMISSION OPEN
2016-17 SESSION
FOR CLASS XI- SCIENCE/ARTS/COMMERCE

FACILITIES :
☞ FOR RANKED HOLDERS IN HSLC EXAMINATION:
Free Admission & Tuition Fee + Free Text Books + Free Lodging & Fooding + Scholarship Rs. 5,000/- per month.
☞ BETWEEN 85% & 90% :
Free Admission + Tuition Fee + Free Text Books + Scholarship Rs. 3,000/- per month.
☞ 75% AND ABOVE BUT LESS THAN 85% :
Free Admission & Tuition Fee + Free Book
☞ 60% & ABOVE BUT LESS THAN 75% :
Half Admission & Tuition Fee.

CASH PRIZES FOR MERITORIOUS STUDENTS IN COMING HSE
Rs. 1 Lakh Cash Prize for 1st Ranked Holder
Rs. 50,000/- for 2nd to 10th Ranked Holders
Rs. 25,000/- for other Ranked Holders

Pass % 2015-16 H.S.E. 86%
Subject Topper in Computer Science - 97/100.
# 9774378518

H/L-P/8812/9,10,11,12&13

NEET-2/Medical Special Course
Class Commencing From -18th May :7.00 am
ADMISSION OPEN !!! ADMISSION OPEN !!!
✓ BASICS AT A GLANCE ✓ MEGA TEST SERIES
✓ FREQUENTLY ASKED QUESTIONS ANALYSIS
✓ SELECTED CHAPTER-WISE TEST SERIES
ATTENTION PARENTS !!!
“Failure In AIPMT(NEET) In Successive ATTEMPTS”
“DIFFICULTY Faced By 10 PASSED 11 Students”
DENOVO EDUCATION
FOUNDATION COURSE CLASS-XII CLASS-XI
VISIT AND QUENCH YOUR THIRST
Kwakeithel Akham Leikai, Next To MLA RK Anand's Residence ☎ 8119080238

HL-B/3040/20/05-19/06 June

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR IMPHAL
NOTICE
Dated, the 9th June, 2016

No.MU/VI/14/05/Admn.I:/143 It is in continuation of the Notice No. MU/VI/14/05/Admn.I/105 dated 26.5.2016 that a list of candidates who are eligible for the posts of Peon advertised under the Advertisement No.3/2009 dated the 22nd December, 2009 have been displayed on the Notice Board at the Main Gate and website of the University www.manipuruniv.ac.in. All the candidates who had applied for the posts of Peon may come and see the list.

They are informed to collect a form from the Administration Section and the same should be filled up and submit on or before 13.06.2016 (earlier it was scheduled on 8.6.2016). Further, the candidates are informed to submit their 2(two) recent passport size photographs along with the form to the Administration Section of the University. Every candidate has to indicate his/her name and serial number of the list displayed on the Notice Board of the University at the back of the photographs. The candidates who fail to submit the above form will not be considered.

(David K. Zote)
Joint Registrar

HL-B/3131/10,11

ADMISSION OPEN for B.Sc Nursing & GNM
2016-17
Offers Govt. Fees only for Manipur Students
B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Mess Fee : Rs. 1500/- per month
Location : ANDHRA PRADESH (Vijayawada)
One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus.
(Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8132088772, 9436009556
HL-P/8657/7/06-21/06